# এ এ পিগী কনভিনর কেজ্রিৱালনা ওটো দ্রাইভরগী য়ুমদা চাক চাবা চৎপদা পুলিসনা থিংবদগী য়েৎনখ্রে

অহমদবাদ, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারিবা গুজরাট এসেম্ব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ষ্টেট অদুদা থুংখিবা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা আম আদমি পার্টিগী কনভিনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙসি অহমদবাদতা লৈবা ওটো-রিক্সো দ্রাইভর অমগী ময়ুমদা চাক চানবা চৎপদা পুলিসনা অথিংবা থন্বদগী ঙাই হাক য়েৎনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকখিবদা গুজরাটতা ঙসি পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লি অমদা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাক্কী পার্টি এ এ পিদা দেল্লিগী মীয়াম্না থাজবা থল্লিবা অদুগুম্না গুজরাটকী মীয়াম্না থাজবা থম্নবা আপিল তৌখি। মরক অদুদা ওটো দ্রাইভর অমনা খঙহৌদনা কেজ্রিৱালদা ঙসি নুমিদাং মহাক্কী য়ুমদা চাক চারা অমতং চামিন্ননবা হায়জরকখি। ওটো দ্রাইভর অদুনা মীয়াম মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা ঐ





অদোমগী ফেন অমনি হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা ওটো দ্রাইভর অমনা মহাক্কী য়ুমদা চাক চানবা ইনভাইট তৌবদা অদোম্না হরাও হরাও য়াখিবগা লোয়নননা নুমিৎ অদুমক্তদা ওটো দ্রাইভর অদুগী য়ুমদা চৎতুনা চাক চাবগী ভিদিও অমা ঐনা উখ্রে। মরম অদুনা ঐগী মফমদা লাকপীদুনা চাক চারা অমতং চামিন্নসি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

মদুদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা অয়াবা পীখিবগা লোয়নননা ঙসি নুমিদাং মহাক্কী য়ুমদা শোয়দনা ঐগী পার্টিগী থৌমীশিংগা লোয়নননা লাক্তুনা চাক চারাগনি। অদুবু ঐ পুং কয়াদা লাক্কদগে। নৎত্রগনা ঐনা লৈরিবা হোটেল অদুদা নহাক লাক্তুনা নহাক্কী ওটোদা পুন্না চৎমিন্নবদি য়ারোইদ্রা হায়না নোক্লগা খুমখি। মদুগী মতুং নুমিদাং পুং ৮ দা দিন্নর লৌবা হায়না য়ানখি।

য়ানখিবা অদুগী মতুংইন্না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল ওটো-রিক্সো তোংদুনা ওটো দ্রাইভর অদুগী য়ুমদা চাক চানবা চৎখি। খরা চৎলবা মতুং গুজরাট পুলিসনা ওটো অদুবু খাম্বগা লোয়নননা কেজ্রিৱালনা চাক চাবা চৎকদৌরিবা অদুদা অথিংবা থমখি। সিক্যুরিটি রিজনননা মরম ওইরগা চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱাল মহাক্কী হোটেলদা অমুক হনখিনবা পুলিসকী মকোক থোঙবা ওফিসলশিংনা হায়জখি। অদুম ওইনমক কেজ্রিৱালনা মখোয়গী ৱাফমশিং অদুবু য়াখিদবগা লোয়নননা মহাক ওটো দ্রাইভর অদুগী ময়ুমদা চাক চানবগীদমক চৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। নাকল অনীগী মরক্তা ঙাইহাক য়েৎনরবা মতুং মখা তানা অহেনবা সিক্যুরিটি পীদুনা কেজ্রিৱাল ওটো দ্রাইভর অদুগী ময়ুমদা চৎপদা অয়াবা পীখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা কেজ্রিৱালনা গুজরাটতা লাকখিবা অদুদা করিগুম্বা গুজরাটকী মীয়াম্না এ এ পিদা পৱার শীন্নরবদি থবক ফংদবগী প্রোব্লেমশিং কোকহনগনি। এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ সেক্টরগা মরী লৈনবশিং অৱাংবা থাক্তা পুখৎকনি অমদি মৈ য়ুনিট ৩০০ মীপুম খুদিংমক্তা লেম্না পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# লম্পী স্কিন দিজি সকী ভেক্সিন শেম শাবা লোইরে

নোইদা, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা য়োক্লিবা ষণশিংদা লম্পী স্কিন দিজিস পাক শন্না শন্দোরকখিবা অদু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক সেন্টর অমদি ষ্টেটনা পুন্না থবক তৌমিন্নরি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী সাইন্টিষ্টশিংনা লম্পী স্কিন দিজিস ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন শেম শাবা লোইরে হায়রি।

ৱাফম অসি মহাক্না ঙসি ইন্টর্নেসনল দাইরি ফেদেরেসন ৱর্ল্ড দাইরি সমিট ২০২২ গা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষণ পাক শন্না লোয়বগী থবক তৌরিবা অমদি শঙ্গোম পুথোক্লিবা মীওইশিংনা য়ুম য়ুমদা লোয়রিবা ষণশিং অদুদা লম্পী স্কিন দিজিসকী সিম্পটোমশিং থেঙনরবদি খুদক্তা মনাক নক্লা লৈবা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা পাউ ফাওনবা হোৎনগদবনি হায়রি। ঙসিগী থৌরমদুদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এনিমেল হসভেন্দেরি সঞ্জিবসু শরুক য়াখি হায়রি।

# ‘ইলেক্সনদা চাওনা মায়পাক্তুনা রাজস্থানদা অমুক হন্না কোংগ্রেসনা লৈঙাক শেমগনি’

জয়পুর, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা রাজস্থানদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাক্তুনা অমুক হন্না কোংগ্রেসকী ওইবা লৈঙাক শেমগনি হায়না রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোটনা ফোঙদোরক্লি।



অসোক গেলোটনা হীরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তা জোধপুরদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী বুথ ৱার্করশিংগী ওইবা মিটিং অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ঙাঙখিবা ৱাফমশিং অদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি। হৌখিবা চহী ৪ অসিদা ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা তৌখিবা থবক থৌরমশিং মীয়াম্না মুন্না খঙবনা মরম ওইরগা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদসু কোংগ্রেসতা অমুক হন্না পৱার পীনবা মীয়াম্না লেপ্লি। মসি খঙবদগী বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মখোয়গী থৌমীশিংগী পুক্নিংদা নিংহন্নবা পোকহন্দনবগীদমক অরানবা ৱাফম কয়া হায়জিল্লমখিবনি। কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা রাজস্থানদা তোঙান তোঙানবা মখলগী স্কিমশিং পায়খৎতুনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা খুদোং চাবা কয়া পীরি। খুদম ওইনা চিরঞ্জিবি হেল্থ ইন্সুরেন্স স্কিম অসি অতোপ্পা ষ্টেট অমত্তদা লৈত্রিবা স্কিমনি। হেল্থ সেক্টর খক্তা নত্তনা এদ্যুকেসন অমসুং এগ্রিকলচরগী লমদসু শীংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎলি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লমদম অসিদা তোল্লম্বা লোনগী শেনফম লুপা ক্রোর ২২,০০০ গী মনুংদা লুপা ক্রোর ১৪,০০০ কোকপীখ্রে। হায়রিবা অসি বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা থবক ওইনা অমুক্তা তৌখিদ্রি। বি জে পিগী লুচিংবশিংনা লৈবাক অসি শেন্দ্বদা লৌমীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না মচিন্দা লাওরবসু লৌমীশিং অসিগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ঙসি ফাওবা মপুং ফানা ফঙহন্দনা লৈরি। মসিগী ওন্না- তৈনবদা লৌমীশিংগী রাইট মৎনবা ফার্ম লো অহুম সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা হৌদোকখিবা অদু মীয়াম্না কাওরোইদবনি হায়রি।

# খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লালহৌবা অমা শিরে

স্রিনগর, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

জম্মু অমসুং কাস্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্স অমদি লালহৌবশিং খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা ললহৌবা অমা শিরে অদুগা সিক্যুরিটি পর্সনেল অমনা শোকখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু হেফ সিরমল এরিয়াদা থোকখিবনি। অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সকী টিম অমা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা হান্না মফম অদুদা লৈরম্বা লালহৌবশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্স তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।

# এ এ পিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম গুজরাট পুলিসনা য়াখিদ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

অহমদাবাদতা লৈবা এ এ পিগী ওফিসশিংদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম গুজরাট পুলিসনা থিহুম্বগী থবক চথখি হায়না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা এ এ পিগী কনভিনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু গুজরাট পুলিসনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা এ এ পিগী ওফিসতা মখল অমত্তগী রেদ চথখিবা লৈতে হায়রি।

দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা গুজরাটকী মীয়াম্না এ এ পিদা সপোর্ট তৌবগী চাং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা উপায় অমা তৌদুনা এ এ পিগী লুচিংবশিংদা অকি অখঙ পোকহন্নবীগদমক অহমদবাদতা লৈবা এ এ পিগী ওফিসতা পুলিসনা খঙহৌদনা রেদ চথখিবনি। অদুবু এ এ পিগী ওফিসতগী ইল্লিগেল ওইবা পোৎলম অমত্তা থেঙনখিদবদগী অমুক হনখি। এ এ পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক বি জে পিনা সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্দুনা দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়া অমদি এ এ পিগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী মথক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন রেদ চথখি। মদুদা মায় পাকপা ঙমখিবদা অমদি গুজরাটতা এ এ পিবু মীয়াম্না কা হেন্না সপোর্ট তৌরকপা অসিদা মীপায়বা পোকপদগী রেদ অদু চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি। অমরোমদা এ এ পিগী ৱাফম অদু গুজরাট পুলিসনা য়াখিদ্রে হায়রি।

# ‘ওপোজিসনগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা কোংগ্রেস মপাঙ্গল কলহনবা মথৌ তায়’



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

কোংগ্রেস পার্টিনা মপাঙ্গল কল্লবা মতমদতা ওপোজিসনদা লৈরিবশিংগী মরক্তা অপুনবগী ওইবা শক্তম অমা শাগৎপা ঙমগনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ওপোজিসনগী মপাঙ্গল কনখৎহনগে হায়রবদি কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল হান্না কনখৎহনবা মথৌ তায় হায়রি।

দেল্লিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী হেদক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা জয়রাম রামেসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎপা হৌখ্রবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীবগা লোয়নননা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল অমুক হন্না কনখৎহন্নবগী তাঞ্জা অদু য়ৌরক্লে। কোংগ্রেসকী ভারত জোরো যাত্রা হৌখ্রবা মতুং বি জে পিগী লুচিংবশিং মিপায়বা হৌনরকপদগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা হৌরক্লিবনি।

অমরোমদা, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি ইন্থুনবা হোৎনবদা ওপোজিসনশিং অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবা মথৌ তারি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসনা মপাঙ্গল শোন্থখ্রবদি ওপোজিসনশিং পুল্লবসু বি জে পি মায়থিবা পীবদা ৱানা থোক্কনি। কোংগ্রেসনা শীল্লিবা ভারত জোরো যাত্রা অসি কোংগ্রেস পার্টি খক্কী নত্তে। ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টি খুদিংমক্কীনি হায়রি।

# অনৌবা কেস ৫,২২১ থেঙনখি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৫,২২১ থেংনখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৫ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৫,২২১ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৫,০০,৫৮০ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৪৭,১৭৬ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ১৫ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,১৬৫ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়রি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mutation Case No. 427 of 2022.**

App :- Longjam Malemnganbi Devi D/o Longjam Kullachandra Singh of Singjamei Wangma Kshetri Leikai Mongkhang Lambi.

-Vs-

Opp :- (L) Longjam (O) Jibanlata Devi W/o Kullachandra Singh of Singjamei Kshetri Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated : 12/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 87-Nungoo পাট্টা নং 198 দাগ নং 171 এরিয়া 1.02 একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/4060/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG-IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 517/SDC/SWG of 2022.**

Parties :- Palmei Kaguishillu W/o Palmei Mangoljao of Ragailong. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar :-

P. Mangoljao R. Naga S/o (L) Thambaljao Kabui of Ragairong, Imphal. -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sawombung, the 12th September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল গী খুল ন:29-Nungai পাট্টা ন: 220 (অরিবা) 22 (অনৌবা), দাগ ন: 2039 মোট এরিয়া 1.45 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পট্টাদার P. Mangoljao R. Naga অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/4064/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mutation Case No. 425/SDC/Sugnu of 2022.**
**Date : 12/09/2022**

App :- Yumlembam Raju Singh S/o (L) Y. Sanahongba Singh of Serou Bazar.

-Vs-

Opp :- (L) Khaidem Niyom Singh S/o (L) Kh. of Sugnu.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated : 12/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 94-Serou পাট্টা নং 67 দাগ নং 42 & 43 এরিয়া 1.13 & 1.14 একর চাওবা ইশ্চোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/4062/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 332/SDC/P/2022.**

1) Nameirakpam Devendro Meitei S/o Jugeshwor Singh of Lukram Leirak.
2) - Do - Angangcha Meitei S/o do of do.
3) - Do - Dhanaraj Meitei S/o do of do.
4) - Do - (N) Moirangthem (O) Ranjana Chanu W/o Indrakumar Singh of Leimaram. -Petitioners

-Vs-

1) (L) Nameirakpam (O) Maipakpi Devi W/o Jugeshor Singh of Lukram Leirak.
2) (L) - do - Ibemcha Devi D/o Jugeshor Singh of do.
3) Nameirakpam Devendra Singh S/o do of do.
4) Nameirakpam Angangcha Singh S/o do of do.
5) Nameirakpam Dhanaraj Singh S/o do of do. -OPs

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
08/09/2022

U S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: কো-পাট্টাদার নম্বর ১ (অমা) অমসুং ২ (অনী) নামৈরাকপম মাইপাকপি দেবী অমসুং নামৈরাকপম ইবেমচা দেবী সাং লুক্রাম লৈরক কী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিল খুল নম্বর ৮৩-লমজাওতোংবা অনৌবা পাট্টা নম্বর ২১৬ হাল দাগ নম্বর ৪০৩ এরিয়া .১৭ একর চাওবা ইশ্চোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইশ্চোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4063/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mutation Case No. 426 of 2022.**

App :- Longjam Raju Singh S/o (L) L. Raghu Singh of Singjamei Wangma Mongkhang Lambi.

-Vs-

Opp :- (L) Longjam Raghu Singh S/o (L) Kanhai Singh of Singjamei Wangma Kshetri Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated : 12/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 87-Nungoo পাট্টা নং 69/288 দাগ নং 140 এরিয়া 3.18 একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/4060/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 213/SDC/(WKG) of 2022.**
**Date: 12/09/2022**

App :- Thingam Sanahanbi Devi W/o (L) Mayanglambam Ibobi Singh of Kakching Khunou.

-Vs-

Opp :- (L) Mayanglambam Ibobi Singh S/o (L) M. Anganghal Singh of Kakching Khunou.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated : 12/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 80-Kakching Khunou পাট্টা নং 149/463 দাগ নং 1223 এরিয়া .45 একর চাওবা ইশ্চোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/4060/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 329/SDC/P/2022.**

R.K. Tombisana Devi W/o (L) Hanglem Rupachandra Singh of Sagolband Lukram Leirak. -Petitioner

-Vs-

(I) Hanglem Ingoba Singh S/o (L) Hera Singh of Sagolband Lukram Leirak. (II) (L) Hanglem Rupachandra Singh S/o (L) Hera Singh of do. -OP Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
The, 8th Sept., 2022

U S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: কো-পাট্টাদার নং ২ হংলেম রুপচন্দ্রা সিংহ পীং মৃ: হেরা সিংহ সাং সগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক ই:ও খুল নম্বর ৮৩-লমজাওতোংবা অনৌবা পাট্টা নম্বর ৪০২ হাল দাগ নম্বর ৫০১ গী ইশ্চোলগী এরিয়া .৩৬ একর চাওবা লমগী মনুংদগী অৱাং থংবা .১৮ একরগী শরুক অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইশ্চোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4063/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 327 of 2022.**

Thongam Dayananda Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Taobungkhok Makha Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Thiyam (N) Thongam (O) Maipakpi Devi W/o Tomba Singh of Taobungkhok. -OP Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
The, 8th Sept., 2022

U S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার থিয়াম নিংঙোন থোঙাম ওংবী মাইপাকপি দেবী পত্তি মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং তাওবুংখোকগী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৮১-তাওবুংখোকগী অনৌবা পাট্টা নং ২৮৮, দাগ নং ২০৮ অমসুং এরিয়ানা .৮৬৯৯৯ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4063/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 325/SDC/P of 2022.**

(I) Thounaojam Santoshchandra Luwang S/o Surchand Singh of Singjamei Thongam Leikai. (II) - Do - Chunital Singh S/o do of do. (III) - Do - Baleshwor Singh S/o do of do. -Petitioners

-Vs-

(L) Laishram (N) Thounaojam (O) Ibemhal Devi W/o Surchand Singh of Singjamei Thongam Leikai. -OP Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
The, 8th Sept., 2022

U S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদারীনি লাইশ্রম নিংঙোন থৌনাওজম ওংবী ইবেমহল দেবী, পত্তি সুরচান্দ সিংহ, সাং সিংজমৈ থোঙাম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৯৪-লাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ৮৮, দাগ নং ৫৩৪ অমসুং এরিয়ানা ১.১২ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4063/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 331/SDC/P of 2022.**

Kamei Kashungaimei S/o (L) Rocky of Sangaiprou. -Petitioner

-Vs-

(L) K. Rocky S/o (L) K. Kakhuton Kabui of Sangaiprou. -OP Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
The, 8th Sept., 2022

U S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার কে: রোকি পীং মৃ: কে কখুতোন কবুই, সাং শঙাইপ্রৌ, ই:ও তহশিল খুল নম্বর ৮৩-লমজাও তোংবা অনৌবা পাট্টা নম্বর ৯৪০ গী হাল দাগ নম্বর ১১৩৭ ইশ্চোলগী এরিয়া .১২ একর লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইশ্চোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4063/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 324/SDC/P of 2022.**

Sangeeta Thiyam W/o (L) Pukhrambam Udoibir Meetei of Sagolband Thangjam Leirak. -Petitioner

-Vs-

(L) Pukhrambam Udoibir Meitei S/o Bijoy Meetei of Sagolband Thangjam Leirak. -OP Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
The, 8th Sept., 2022

U S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার পুখ্রম্বম উদোয়বির মৈতৈ, পীং বিজোয় মৈতৈ, সাং শগোলবন্দ থাংজম লৈরকগী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী অনৌবা পাট্টা নং ১৯১০, দাগ নং ২৮১২ অমসুং এরিয়ানা .০৪ একর চাওবা ইশ্চোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইশ্চোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4063/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 328/SDC of 2022.**

Thongam Dayananda Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Taobungkhok Makha Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Thongam Ibomcha Singh S/o (L) Tomba Singh of Taobungkhok. -OP Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
The, 8th Sept., 2022

U S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার থোঙাম ইবোমচা সিংহ, পীং মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং তাওবুংখোকগী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৮১-তাওবুংখোকগী অনৌবা পাট্টা নং ২৬২,৩০৩, দাগ নং ৯, ২১ অমসুং এরিয়ানা .৩১০০১ একর, .৮৮ একর চাওবা অঙনফৌ অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4063/13